ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯸, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, ফেব্রুৱারী ১৮, ২০২৩, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ৩১৬শুবা মশীং

# মীতৈ ময়েক

## মীপূম খুদিংমক্না খঙলগদবনি

মীতৈ ময়েকসি মণিপুরগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা মেজর কম্যুনিতি ওইরিবা মীতৈশিংনা ঙাঙনরিবা মীতৈলোন অসিগী ময়েকনি। লোন অমা হায়বসিদি ঙাঙন-শক্নবগী খোঞ্জেল (সাউন্দ) খক্তা নত্তনা খোঞ্জেলদুবু মহুৎ শিনবা খুদম (ময়েক) লৈগদবনি। মসিবু ময়েক হায়দুনা খঙনরিবনি। লোন অমা লৈরবদি মদুগী ময়েক হায়বা'মসু শোয়দনা লৈগদবনি। লোনগা ময়েক্কগী মরক্তা শেত্তোক খায়দোক্নবা য়াদ্রিবনি। অপীকপা মীশিং য়ামজদবা ফুরুপ খরদা মখোয় মশেল অমগা অমগা ফাওনবগী লোন লৈরবসু ময়েক লৈজদবসু য়াওদবদি নত্তে। লৈফম থোক্লিবনি। অদুগা মীতৈ ময়েক্কী ওইনা য়েংলগদি মীতৈলোননা মণিপুরগী ফুরুপ-কাঙলূপ ৩০ হেনবগী মীয়ামগী 'লোনফাও' নৎত্রগা 'ফাওন-লোন' (লিংগুৱা ফ্রাঙ্কা) ওইরিবনিনা মীতৈ ফুরুপ খক্তা নত্তনা লোনসিবু শীজিন্নদুনা ঙাঙনরিবা পূম্নমক্না লোনসিগী ময়েকসিবুসু খঙজিনবা চুম্লিবনি। হায়বদি মমালোন ওইরিবা মীতৈখক নত্তনা লোনসিবু শীজিন্নরিবা মীওই পূম্নমক্না লোনসিগী ময়েকপুসু খঙবগী মথৌ তারিবনি। মরমদি মীতৈলোন ঙাঙলিবা মীওই অমদা নহাক্না ঙাঙলিবা লোনদু ৱাহৈ ওইনা ইয়ু হায়রকপদদি ময়েক খঙদ্রবা নৎত্রগা হৈত্রবদি করম্বা ফুরুপকী ময়েক্তা ইরুগদগে? চাওখৎলবা অমসুং মীপূম তিংনা ঙাঙনরিবা অতোপ্পা লোনশিংগী ময়েক্তা ইরুবা য়াগদবা নত্তে। মসি ওইরগদি হৌজিক মীতৈ ময়েক্কী ফীভমসি করি ওইরিবগে? করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বসি য়েংবা অমসুং নৈনবগী মথৌ তারে হায়নীংই।

মীতৈলোন অসি করম্বা মখলগী লোননো? মীওই কয়ামুক্না ঙাঙনবা লোননো হায়বরোমদা তুকা থিদুনা কোৎথোক্লুদ্রবসু লোন অসি ওগষ্ট ২০, ১৯৯২দা লৈবাকসিগী সেদ্যুল লেংগ্বেজ অমা ওইরকখ্রবনি। অদুগা কুমজা ২০০৬তগীনা বেঙ্গলি ময়েকশিং শীজিন্নরম্বগী মহুত্তা থেঞ্জাং নাইনা মীতৈ ময়েক্না মহুৎ শিল্লকখ্রবনি। থৌওংসি লেপ্তুনা পরিং নাইনা চখ্বরকপনা ঙসিদি মাষ্টর (এম এ, এম এস সী, এম কোম) নচিংবগী থাক ফাওবদা লৈবা মহৈরোয়শিংনা বেঙ্গলি ময়েক খঙদ্রে। চহী খরগী মতুং হায়বদি হৌজিক লৈরিবা বেঙ্গলি ময়েক খঙবা মীরোলসি চৎখ্রবদি ময়েকসিবু খঙবা মীওই অমত্তা লৈররোইদবনি। অদুবু ঙসিগী মহৈরোয়শিংনা এম এ ফাওবদা বেঙ্গলি ময়েক খঙদ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি 'মীতৈ ময়েক' সি মহৈরোয়শিংগী সবজেক্ট অমা ওইনদা ইন্থোক্লগা থম্বদৌনা তৌরি। মীতৈলোন ঙাঙনরিবা মীওইশিংগী মরক্তগী মসিগী ময়েকসিবু খঙবা/হৈবগী চাং য়াম্না ৱাৎলি। মসিদি চুমদে। ইশাগী ঙাঙনরিবা লোনগী ময়েক খঙদবা হায়বসিদি লাইরিক ময়েক চত্তবনি হায়দুনা লৌরক্লোইদবগী ফীভম লৈতে। হোয়, লোন অমসুং ময়েক খঙজিনবা, হৈবা হায়বসিদা তোংজবগী মহুত্তা মাঙজগদবা লৈগদবা নত্তে। মালেমগী মীওইবা খুন্নাইগী লোন অমসুং ময়েক য়ারিবমখৈ য়াম্না খঙবা-হৈবগী কান্নবা ময়াম লৈগনি। কান্নবশিং অদুগী মনুংদা পাক চাওখ্রবা মালেম অসি 'গ্লোবেল ভিলেজ' অমা ওইহল্লকপদসু অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবনি। মসিমক্না মণিপুরদা ম্যান্মার, জপানগী লোন অমসুং ময়েক তম্বদগী হেন্দোরক্কুনা কোরিয়াগী লোন অমদি ময়েক তম্নবগী থবক হৌদোরক্লিবনি। অদুবু লৈমিন্নরিবা অতৈ ফুরুপশিংদি লায়রদনা মীতৈশিংগী মরক্তসু মীতৈ ময়েক তম্নিংবা, হৈনীংবগী ৱাখল ইখন খন্নদনা মহৈ তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী সবজেক্ট অমা ওইনদা ইন্থোকপদৌনা তৌরিবসিদি চুমদে হায়নীংই। লাইনীং হায়বসিদি অপাম-অপাম্বা চৎচসনু। মীতৈ ময়েকপু মীতৈ লাইনীং চৎপশিং খক্তগীনি হায়দুনা উবসু লানগনি। ঙাঙন-শক্নরিবা লোনসিগী ময়েকসু হৈসি, খঙসি হায়বনি।

# ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ

## ꯃꯤꯄꯨꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛꯅ ꯈꯪꯂꯒꯗꯕꯅꯤ

ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯎꯕꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯃꯦꯖꯔ ꯀꯝꯌꯨꯅꯤꯇꯤ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯇꯩꯁꯤꯡꯅꯥ ꯉꯥꯡꯅꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯇꯩꯂꯣꯟ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯌꯦꯛꯅꯤ॥ ꯂꯣꯟ ꯑꯃꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯉꯥꯡꯅ-ꯁꯛꯅꯕꯒꯤ ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ (ꯁꯥꯎꯟꯗ) ꯈꯛꯇꯥ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯈꯣꯟꯖꯦꯂꯗꯨꯕꯨ ꯃꯍꯨꯠ ꯁꯤꯟꯕꯥ ꯈꯨꯗꯝ (ꯃꯌꯦꯛ) ꯂꯩꯒꯗꯕꯅꯤ॥ ꯃꯁꯤꯕꯨ ꯃꯌꯦꯛ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯈꯪꯅꯔꯤꯕꯅꯤ॥ ꯂꯣꯟ ꯑꯃꯥ ꯂꯩꯔꯕꯗꯤ ꯃꯗꯨꯒꯤ ꯃꯌꯦꯛ ꯍꯥꯌꯕ'ꯃꯁꯨ ꯁꯣꯌꯗꯅꯥ ꯂꯩꯒꯗꯕꯅꯤ॥ ꯂꯣꯟꯒꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯁꯦꯠꯇꯣꯛ ꯈꯥꯌꯗꯣꯛꯅꯕꯥ ꯌꯥꯗ꯭ꯔꯤꯕꯅꯤ॥ ꯑꯄꯤꯀꯄꯥ ꯃꯤꯁꯤꯡ ꯌꯥꯝꯖꯗꯕꯥ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯈꯔꯗꯥ ꯃꯈꯣꯌ ꯃꯁꯦꯜ ꯑꯃꯒꯥ ꯑꯃꯒꯥ ꯐꯥꯎꯅꯕꯒꯤ ꯂꯣꯟ ꯂꯩꯔꯕꯁꯨ ꯃꯌꯦꯛ ꯂꯩꯖꯗꯕꯁꯨ ꯌꯥꯎꯗꯕꯗꯤ ꯅꯠꯇꯦ॥ ꯂꯩꯐꯝ ꯊꯣꯛꯂꯤꯕꯅꯤ॥ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯌꯦꯡꯂꯒꯗꯤ ꯃꯤꯇꯩꯂꯣꯟꯅꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯐꯨꯔꯨꯞ-ꯀꯥꯡꯂꯨꯞ ꯳꯰ ꯍꯦꯟꯕꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ 'ꯂꯣꯟꯐꯥꯎ' ꯅꯠꯔꯒꯥ 'ꯐꯥꯎꯟ-ꯂꯣꯟ' (ꯂꯤꯡꯒꯨꯋꯥ ꯐ꯭ꯔꯥꯡꯀꯥ) ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯅꯤꯅꯥ ꯃꯤꯇꯩ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯈꯛꯇꯥ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯂꯣꯟꯁꯤꯕꯨ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯉꯥꯡꯅꯔꯤꯕꯥ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯅꯥ ꯂꯣꯟꯁꯤꯒꯤ ꯃꯌꯦꯛꯁꯤꯕꯨꯁꯨ ꯈꯪꯖꯤꯟꯕꯥ ꯆꯨꯝꯂꯤꯕꯅꯤ॥ ꯍꯥꯌꯕꯗꯤ ꯃꯃꯥꯂꯣꯟ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯇꯩꯈꯛ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯂꯣꯟꯁꯤꯕꯨ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯅꯥ ꯂꯣꯟꯁꯤꯒꯤ ꯃꯌꯦꯛꯄꯨꯁꯨ ꯈꯪꯕꯒꯤ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯔꯤꯕꯅꯤ॥ ꯃꯔꯃꯗꯤ ꯃꯤꯇꯩꯂꯣꯟ ꯉꯥꯡꯂꯤꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯑꯃꯗꯥ ꯅꯍꯥꯛꯅꯥ ꯉꯥꯡꯂꯤꯕꯥ ꯂꯣꯟꯗꯨ ꯋꯥꯍꯩ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯏꯌꯨ ꯍꯥꯌꯔꯀꯄꯗꯗꯤ ꯃꯌꯦꯛ ꯈꯪꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯅꯠꯔꯒꯥ ꯍꯩꯠꯔꯕꯗꯤ ꯀꯔꯝꯕꯥ ꯐꯨꯔꯨꯞꯀꯤ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯏꯔꯨꯒꯗꯒꯦ? ꯆꯥꯎꯈꯠꯂꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯤꯄꯨꯝ ꯇꯤꯡꯅꯥ ꯉꯥꯡꯅꯔꯤꯕꯥ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯂꯣꯟꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯏꯔꯨꯕꯥ ꯌꯥꯒꯗꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ॥ ꯃꯁꯤ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯐꯤꯚꯝꯁꯤ ꯀꯔꯤ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯒꯦ? ꯀꯔꯝꯕꯥ ꯐꯤꯚꯃꯗꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯒꯦ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯌꯦꯡꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯩꯅꯕꯒꯤ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯔꯦ ꯍꯥꯌꯅꯤꯡꯏ॥

ꯃꯤꯇꯩꯂꯣꯟ ꯑꯁꯤ ꯀꯔꯝꯕꯥ ꯃꯈꯂꯒꯤ ꯂꯣꯟꯅꯣ? ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯀꯌꯥꯃꯨꯛꯅꯥ ꯉꯥꯡꯅꯕꯥ ꯂꯣꯟꯅꯣ ꯍꯥꯌꯕꯔꯣꯃꯗꯥ ꯇꯨꯀꯥ ꯊꯤꯗꯨꯅꯥ ꯀꯣꯠꯊꯣꯛꯂꯨꯗ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯂꯣꯟ ꯑꯁꯤ ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯲꯰, ꯱꯹꯹꯲ꯗꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯁꯦꯗ꯭ꯌꯨꯜ ꯂꯦꯡꯒ꯭ꯕꯦꯖ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯔꯀꯈ꯭ꯔꯕꯅꯤ॥ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯀꯨꯝꯖꯥ ꯲꯰꯰꯶ꯇꯒꯤꯅꯥ ꯕꯦꯡꯒꯂꯤ ꯃꯌꯦꯛꯁꯤꯡ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯔꯝꯕꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇꯥ ꯊꯦꯟꯖꯥꯡ ꯅꯥꯏꯅꯥ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯅꯥ ꯃꯍꯨꯠ ꯁꯤꯜꯂꯀꯈ꯭ꯔꯕꯅꯤ॥ ꯊꯧꯑꯣꯡꯁꯤ ꯂꯦꯞꯇꯨꯅꯥ ꯄꯔꯤꯡ ꯅꯥꯏꯅꯥ ꯆꯈ꯭ꯕꯔꯀꯄꯅꯥ ꯉꯁꯤꯗꯤ ꯃꯥꯁ꯭ꯇꯔ (ꯑꯦꯝ ꯑꯦ, ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯁ ꯁꯤ, ꯑꯦꯝ ꯀꯣꯝ) ꯅꯆꯤꯡꯕꯒꯤ ꯊꯥꯛ ꯐꯥꯎꯕꯗꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯃꯍꯩꯔꯣꯌꯁꯤꯡꯅꯥ ꯕꯦꯡꯒꯂꯤ ꯃꯌꯦꯛ ꯈꯪꯗ꯭ꯔꯦ॥ ꯆꯍꯤ ꯈꯔꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯍꯥꯌꯕꯗꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯕꯦꯡꯒꯂꯤ ꯃꯌꯦꯛ ꯈꯪꯕꯥ ꯃꯤꯔꯣꯂꯁꯤ ꯆꯠꯈ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯃꯌꯦꯛꯁꯤꯕꯨ ꯈꯪꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯂꯩꯔꯔꯣꯏꯗꯕꯅꯤ॥ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯉꯁꯤꯒꯤ ꯃꯍꯩꯔꯣꯌꯁꯤꯡꯅꯥ ꯑꯦꯝ ꯑꯦ ꯐꯥꯎꯕꯗꯥ ꯕꯦꯡꯒꯂꯤ ꯃꯌꯦꯛ ꯈꯪꯗ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯎꯕꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯗꯤ 'ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ' ꯁꯤ ꯃꯍꯩꯔꯣꯌꯁꯤꯡꯒꯤ ꯁꯕꯖꯦꯛꯠ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯅꯗꯥ ꯏꯟꯊꯣꯛꯂꯒꯥ ꯊꯝꯕꯗꯧꯅꯥ ꯇꯧꯔꯤ॥ ꯃꯤꯇꯩꯂꯣꯟ ꯉꯥꯡꯅꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯒꯤ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯌꯦꯛꯁꯤꯕꯨ ꯈꯪꯕꯥ/ꯍꯩꯕꯒꯤ ꯆꯥꯡ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯋꯥꯠꯂꯤ॥ ꯃꯁꯤꯗꯤ ꯆꯨꯃꯗꯦ॥ ꯏꯁꯥꯒꯤ ꯉꯥꯡꯅꯔꯤꯕꯥ ꯂꯣꯟꯒꯤ ꯃꯌꯦꯛ ꯈꯪꯗꯕꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ ꯃꯌꯦꯛ ꯆꯠꯇꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯂꯧꯔꯛꯂꯣꯏꯗꯕꯒꯤ ꯐꯤꯚꯝ ꯂꯩꯇꯦ॥ ꯍꯣꯌ, ꯂꯣꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯌꯦꯛ ꯈꯪꯖꯤꯟꯕꯥ, ꯍꯩꯕꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯥ ꯇꯣꯡꯖꯕꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇꯥ ꯃꯥꯡꯖꯒꯗꯕꯥ ꯂꯩꯒꯗꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ॥ ꯃꯥꯂꯦꯃꯒꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯥ ꯈꯨꯟꯅꯥꯏꯒꯤ ꯂꯣꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯌꯦꯛ ꯌꯥꯔꯤꯕꯃꯈꯩ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯈꯪꯕꯥ-ꯍꯩꯕꯒꯤ ꯀꯥꯟꯅꯕꯥ ꯃꯌꯥꯝ ꯂꯩꯒꯅꯤ॥ ꯀꯥꯟꯅꯕꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯄꯥꯛ ꯆꯥꯎꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯑꯁꯤ 'ꯒ꯭ꯂꯣꯕꯦꯜ ꯚꯤꯂꯦꯖ' ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯍꯜꯂꯀꯄꯗꯁꯨ ꯑꯆꯧꯕꯥ ꯃꯇꯦꯡ ꯑꯣꯏꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ॥ ꯃꯁꯤꯃꯛꯅꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯥ ꯃꯌꯥꯟꯃꯥꯔ, ꯖꯄꯥꯅꯒꯤ ꯂꯣꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯌꯦꯛ ꯇꯝꯕꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯗꯣꯔꯛꯀꯨꯅꯥ ꯀꯣꯔꯤꯌꯥꯒꯤ ꯂꯣꯟ ꯑꯃꯗꯤ ꯃꯌꯦꯛ ꯇꯝꯅꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯍꯧꯗꯣꯔꯛꯂꯤꯕꯅꯤ॥ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯔꯤꯕꯥ ꯑꯇꯩ ꯐꯨꯔꯨꯞꯁꯤꯡꯗꯤ ꯂꯥꯌꯔꯗꯅꯥ ꯃꯤꯇꯩꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯁꯨ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ ꯇꯝꯅꯤꯡꯕꯥ, ꯍꯩꯅꯤꯡꯕꯒꯤ ꯋꯥꯈꯜ ꯏꯈꯟ ꯈꯟꯅꯗꯅꯥ ꯃꯍꯩ ꯇꯜꯂꯤꯕꯥ ꯃꯍꯩꯔꯣꯌꯁꯤꯡꯒꯤ ꯁꯕꯖꯦꯛꯠ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯅꯗꯥ ꯏꯟꯊꯣꯛꯄꯗꯧꯅꯥ ꯇꯧꯔꯤꯕꯁꯤꯗꯤ ꯆꯨꯃꯗꯦ ꯍꯥꯌꯅꯤꯡꯏ॥ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯑꯄꯥꯝ-ꯑꯄꯥꯝꯕꯥ ꯆꯠꯆꯁꯅꯨ॥ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯄꯨ ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡ ꯆꯠꯄꯁꯤꯡ ꯈꯛꯇꯒꯤꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯎꯕꯁꯨ ꯂꯥꯟꯒꯅꯤ॥ ꯉꯥꯡꯅ-ꯁꯛꯅꯔꯤꯕꯥ ꯂꯣꯟꯁꯤꯒꯤ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ ꯍꯩꯁꯤ, ꯈꯪꯁꯤ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ॥

# মেসেজ ওইনা

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

ৱারীমচাশিং চাক লাম্না লাম্না লাইরিক অমত্তা ফোঙগেনা কন্না শিন্দোকই। কপি ৩০০ মুক ফোঙগে। ফোঙবা নুমিৎতা লাইরিক চাম্মরোম লেম্না য়েনগে। কপি য়াংখৈমুক অমনা মরুপ মপাং অমদি অহল লমন ওজাশিংদা পাবীনবা খুদোল তৌজগে। লেমহৌবা চাম্মা য়াংখৈ অদুগী মরাইবক্তি য়ূমদা পাবীনবা কনা য়াওদনা লৈমন চন্দুনা তারগা লৈগদৌরিব্রা? মপামদা মংফম ওইবা হায়বদু তাগদৌরিব্রা? অমত্তংদি ফোঙগে হায়না চপ য়ুংনা খল্লি, হিংলম্মী হায়বগী খোঙ্গুল অমা নূঙনা পেৎলিঙৈ নেৎহৌরগা হয়েং কোন্না কনশিনখ্রগা তুংদা লাকপা মীরোলনা ঐগী খোঙ্গুল উবা ফংহৌনবগী মওংদা। আশা কয়ানি লাইবক য়েংলগে মীনা পাবীবা পাবীদবা অমত্তংদি ফোঙদদি ফোঙলগা ময়েংলগে। লাইরিক ফোঙলগা পাবীদে পাবীদে হায়বদু চুম্বা য়েংলগে। হন্দক্তি ঐ মীৎ-না কূৎপমখৈ ঐগী মহৌশা ইবা ৱারী ময়াম শিনগৎপা হৌরে। ওন্থোক্না তনখিদ্রবা নুপা অমা হায়বদুনি মী অমনা অসুক য়াম্না ইদুনা হেক লৈরম্বা? হেরা সিগী ময়ামসিবু ঐনা ইরিবা? ওহ নঙদি মাঙজরেদকো হে ঐ হায়না ইথন্তা তকশি শোঞ্জে। কনাগীদমক ইরিবনো? ইরগদি হেক নুংঙাই। ফোঙলুরে পাদে হায়নবা তাখি। উসু উনরে। মণিপুরদদি ইরগা হিংনি হায়বা থাজদ্রে। ইরগদি শিবগী ফীভম লাক্লি। শেল ময়াম অমা থাধনরি। পাবীনবা য়াওদে খঙনা খঙনা। অসি খন্না খন্না শিন্দোকপদি লেপ্পা লৈতে।



ইচানা ৱা অমা হায়রকপদা ঐনা হায় মেসেজ ওইনা ফোন্দা ইরকউ। নখোয়না ঙাঙবা তানীংদে শাংনা ঙাঙই। মরু ওইবা ৱা হায়দে। মতম মাঙই। লাইরিক শিন্দোকপদা অকায়বা পী হায়দুনা ঐ মখোয়গা ৱারী শাননীংদে। ইমান্নবনা ফোন তৌরকই, ভাই ঐ অরুবা থবক অমা তৌরি মেসেজ ওইনা হায়বিরকউ। মোবাইলদা অনলিমিটেদ কোলগী খুদোংচাবা হেক লাকখিবদগী ইমান্নবা কয়া ৱা ঙাঙবগী চাং য়াম্না হেনগৎপা য়াওনরে। মেসেজ ওইনা পাল্লে।

হৌজিক লাইরিক অমা কপি চহুমদগী চামঙাফাওবা অসিগী মনুংদা চাংচৎ ওইনা লাইরিক ফোঙনরি। লুপা লিশীং নিফু য়াংখৈ চঙনা। ফোঙবা নুমিৎতা ৱাঙাঙমীনা মদুগী মরমদা খরা ঙাঙলম্বা অদুনা অইবগী থম্মোয়গী অপেনবা শক্লজরি। ফোঙবগীদি চয়োল অমদা লাইরিক মঙাদগী তাদে। ৱাংজিংদা, ককচীংদা, খুরাইদা, ইম্ফালদা, থৌবালদা, জিরিদা, নম্বোলদা। কনানো হৌজিক লাইরিক পারিবা মী অসিবো? ঐগীসু অমা মসিগী মরক্তা হাপচিল্লুবদা করি করম্বা পাঙদবগী দশানো তাদৌরিবসে? ইচানুপীনা বাবা মেকঅপ লৈনবা শেল পীয়ো হায়দনা হরাউ হরাউ ইনাক্তা চঙলকপদা ঐনা খোল কল্লপ লাউহৎলি। করি শ্বাইদা চঙলক্কনু হায়রগা। ঐ ৱারী মচা কন্না শিন্দোক্লি। নখোয়না হায়নীংলিবা ৱা অদু মোবাইল ফোন্দা মেসেজ ওইনা ইরকউ হায়দ্রাইবা? ঐ নখোয়গা ৱারী শাদুনা মতম মাঙহনবদা ঐগী ইপোক নুমিৎতা ফোঙবা তল্লিবা লাইরিক অসি ফোঙবা ঙম্লোইদৌবগী ফিভমদা লাক্লে। চৎলু আদা, মেসেজ ওইনা থারকউ।

ইচা ইশুশিং হন্দক্তী মমীৎ মনা লংখৎলে, ঐগী ইতৌদা। মখোয় ঐ য়াওদবা মতমদা করি করিনো ইমাঙদা হায়বা ঙমদবা ৱা কয়া কয়া অদুম হায়নরম্বা য়াই। ঐনগা থবক নংনা নংনবা জিরি জিরি তকখৎলকপগা মখোয়গী নুপী অঙাংগী পেৎ পেৎ অদু ঐঙোন্দা য়াম্না লৈতাদ্রে। থা অহুমতা ঙাইরবনি ঐগী ইপোক নুমিৎ। পুন্সিগী অহানবা বর্থদে ঐগী লাইরিক ফোঙদৌরিবা? শিনবা হৌবদা মঙায়রি। কদাইদগীনো ইশাগী চহী য়ামখৎলকপসিদা বর্থদে অমত্তং তৌবিবা ফৈ হায়দনা ইশানা ইশাগীদমক খল্লকপনি। ইশানা ইশাবু নুংশিবা হেল্লকই। ঐগী লাইরিকপু ঐনা ফোঙদনা কনানা ফোঙগনি। মচা মশুনা মপা মমানা ইবা লাইরিক করিগুম্বা ফোঙবীবা তারবদি মখোয়দু মরাইবক থম্বাল শাৎলবা মী ওইরে, চঙনা শ্বর্গ কাবা ওইরে। ঐগীদি মসি থাজদ্রে। থাজরবসু ওইথোক্তৌ মান্দ্রে। ইনাওনুপা চঙলক্কুনা অরূবা ৱা অমা হায়গে তৌরৈ। ঐ মথা শারি - মেসেজদা ওইনা হায়রকউ হায়খি। মেসেজ ওইনা ইরকই। লিশীং অনীদা লৌগে থুনা শিংবীনি হায়না ইরকই। মেসেজ ওইনা ৱারী শানবা পাম্মে ঐ। মরীক চুম্না মচা তানা য়েস ওর নো ওইনা পাল্লে। অঙাং মচা নৎত্রে ঐ। থবকসু ধমাদা চিল্লি ঐ কোথবা পামদ্রে। ঐনা শিন্দোক্লিবা ৱারীশিং অদু শিন্দোকপদং ওইরবদি ফৈ। শেমদোকপনি। শিন্দোকপদি মতম চঙদে। শেমদোকপনি মতম চঙলিবা অসি। ঐনা হান্না ইবশিং ঐনা হৌজিক পাল্লক্তে। ৱাখল তাইয়োন্নরকই। য়েৎনীংলকই - ইমন্দনা ইথন্তদা য়েৎলগা নুংঙাইজরকই। হান্নগী ৱা পাল্লক্তে। অনৌবা ৱা ইনীংলকই। মহৌশাদি ঐ অরিবা ৱা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়বা পামলম্মী ঐ হৌজিক্তি অনৌবা ৱা পামলক্লে। অনৌবা ৱাখলগী ফিজোল শেৎলকই মতম মতমগী। ফোঙবা তন্দ্রিঙৈ ফোঙহৌবা, ফোঙবা ইকায়দ্রিঙৈ মতাং মতম চানা ফোঙহৌবা পাল্লকই।

ঙসাই মেক-অপ লৈনবা শেল পীয়ু হায়দুনা চঙলক্লম্বী ইচানুপীদুনা অমুক ৱা অমা হায়বা ইনাক্তা চঙলকই, "বাবা, মেসেজ পারব্রা? কৈনোমতা হায়গে।" ঐনা শাউনা লাউহৎলি, মেসেজ ওইনা থারকউ, ঐ থবক কন্না চিল্লি হায়দ্রা?"

চাক লাম্বনসু শিদৌরে। মেসেজ হাংদুনা পারুই, ইরম্মী "বাবা, চাক চারসি লাক্লো'। ঙসাই অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবদা থারম্বনি, ঐনা মাবু ঙসাইসু লাউহৎলগা থাখ্রবনি। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ অগোর # ৩৮০

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

থোইদোক-হেন্দোক্না মনম নুংশিবা থাউ পুথোকপা নৎত্রগা থোকপা পাম্বীলক্তগী অগোর পাম্বী অসি য়াম্না মরু লই। হায়রিবা পাম্বী অসি হীদাক্কী ওইবা মগুনশিংসু থোইদোক্না য়াওই। অগোর পাম্বী অসি ইংলিসতা ইগল-ৱুদ (Eagle Wood) নৎত্রগা অগর-ৱুদ (Agar Wood) নৎত্রগা এলো ৱুদ (Aloe Wood), সংস্কৃটতা অগারু (Agaru) নৎত্রগা অগর (Agar), অসামিজদা ওগোরু (Ogoru), বাংলাদেশীদা অগোর (Agor), চাইনিজদা চেন-জিয়াং (Chen-Xiang), জপানিজদা জিনকো (Jinko), বর্মিজদা অকয়ো (Akyo), ইন্দোনেসিয়াদা গাহারু (Gaharu), মলেসিয়াদা তেঙ্কারস (Tengkaras), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা একুইলেরিয়া মালাকেন্সীস (Aquilaria malaccensis Lamk.) নৎত্রগা একুইলেরিয়া এগালোচা (Aquilaria agallocha Roxb.) হায়না কৌই অমসুং থাইমেলিয়েসী (Thymelaeaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী অমা হায়রগদি চে পাম্বী - পেপর প্লান্ট (দেফনি পেপাইরেসিয়া - Daphne papyraceae) অসিনি।



হিন্দিদা অগর (Agar), য়ুনানিদা ওউদ ঘার্কী (Ood Gharqi), সিঘাদা অগীল (Agil) হায়না কৌনরিবা অগোর পাম্বী অসি অয়াম্বা মতমদা শংদুনতা লৈবা হায়বসি ইভর্গ্রীন (Evergreen) ওইবা ফুট ১০০ ফাওবা ৱাংবা য়াম্না তপ্না হৌবা উ পাম্বী অমনি। মীয়াম্না অগোর হায়না খঙনরিবা অসি অগোর পাম্বীদা য়াওবা নৎত্রগা থোকপা থাউ (Essential oil) অদুনি। তশেংবদি পাম্বী অসি মথন্তনা থাউ অদু শুংবা ঙমদে। হায়রিবা অগোর থাউ অসি উ পাম্বী অদুদা Phaeoacrenonium parasitica কৌবা কোকফাই শুজা (ফঙ্গস) অসিনা হৌজিন্দুনা মদুদগী থোরকপা বাইপ্রদক্ট হায়বদি পোত্থোক অদুনি। হায়রিবা কোকফাই শুজা অদুনা অগোর পাম্বীদা হৌজিনদ্রবদি অগোর হায়রিবা থাউ অদু পুথোকপা ঙমদে। অগোর হায়বসি মনম য়াম্না নুংশিবা অমদি মনিল থুনা কাগনবা ওর্গানিক কম্পাউন্দ অমনি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না অগোর পাম্বী অসি খা নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি। অগোর পাম্বী অসি মহৌশাগী ওইনা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা মণিপুর, অসাম, ত্রিপুরা, নাগালেন্দ অমসুং মেঘালয়নি। পাম্বী অসি বাংলাদেশ, ভুটান, ইন্দোনেসিয়া, মলেসিয়া, ম্যান্মার, ফিলিপিন্স অমসুং ভিএটনামগী মফমশিংদা সমুদ্রগী ঈমাইদগী মিটর ৩০দগী ১০০০ ৱাংবা মফমশিংদা চুশিন্ননা হৌই। ত্রিপুরাগী কোনুং আগরটালা অসিদা মতম অমদা অগোর পাম্বী অসি য়াম্না মরাং কায়না অমদি পাক শন্না হৌরম্মী হায়বদগী মফম অসিবু আগরতালা হায়না থোনখিবগী ৱারীশিং লৈ।

অগোরগী থাউ অসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নরক্লি। য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদদি ইজিপ্তুকী মীওইশিংনা অগোর থাউ অসি শিরবা মীগী হকচাং অদু পথ্-পুমথদনা মতম কুইনা থম্বদা শীজিন্নরম্মী। আরব লৈবাকশিংদা অগোরগী থাউ অদু ধুপ শাবদা য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী শীজিন্নরকপগী পাউদমশিং লৈ। অগোর থাউ অসি থৌওং মখল অনীদা শুংদোকপা য়াই। অহানবদা ষ্টিম দিষ্টিলেসন (Steam distillation) গী থৌওং হায়বদি ঈশিংদা ফুৎলগা মনিল কাহল্লগা মনিল অদু কন্দেন্সর (Condensor) গী মতেংনা ঈংথহন্দুনা লৌবা অদুগা অতোপ্পা অমনা সোলভেন্ট এক্সত্রেক্সন (Solvent extraction) হায়দুনা অতোপ্পা সোলভেন্ট হায়বদি মহী অদুদা তুমহন্দুনা লৌবনি। অগোরগী থাউ অসি অকে অমৌগী মায়তৈ হীদাক, মনম নুংশিরবা অমসুং অতাঙবা মখলগী হকচাংদা চাইনবা নৎত্রগা কাপ্নবা পর্ফ্যুমশিং, ঈরু মায়থজনবা সাপোন অমদি চিঙ্গাকশিং মহাউ হেনগৎহনবদা মরু ওইবা পোৎচাক অমা ওইনা শীজিন্নরি। অগোরগী থাউ অসি মগুন অমসুং অশেংবগী মতুংইন্না গ্রেদশিং খায়দোকই অমসুং মদুগী মতুংইন্না লিটর অমদা লুপা ১০,০০০দগী ১,০০,০০০ ফাওবা পী। সিঙ্গাপোর অসি অগোরগীদমক্তা মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা কৈথেলনি। পৃথিবীগী মফম কয়ামরুমদসু অগোর থাউগী কৈথেল অসি শন্দোক্তুনা লৈ।

অনা-লায়েংদা অগোরগী থাউ অসি মীওইবগী ব্রেনগী শিংলি-নাওরি মপাঙ্গল কন্না থম্বা ঙম্বা মরম্না মীওইবনা ৱাখল চোইবা অদুদা য়াম্না কান্নহনবগী মথক্তা পূক্লিং হামচৎ-হাম্বোইনবা অদুদসু হীদাক ওইনা শীজিন্নে। হৌখিবা মতম খরা অসিদা এরোমা-থেরাপি (Aroma-therapy) হায়রিবা মনম নুংশিবা থাউশিং শীজিন্নদুনা লায়েংবা অল্টরনেটিভ মেদিসিন অসি মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা য়াম্না পাম্বা হেঙ্গৎলক্লি। হায়রিবা লায়েং মখল অসিদা অগোরগী থাউ অসি মপূং ওইনা শীজিন্নরক্লি অমসুং দিমান্দ হেঙ্গৎলক্লি। গুনাসেকেরা (Gunasekera) অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা থিজিনবদগী ফংলকপা পাউদমগী মতুংইন্না অগোর থাউ অসি কেন্সর লায়না মখল খরা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বসিনি। অগোর থাউ অসি তাং চাওথোক্তুনা চিকপা-নাবা (গাউট), হকচাংগী শরুকশিং পংথবা (পেরলাইসিস), নুপী-নুপাগী ফম্বী ফগৎহনবা ঙম্বা, মীওইবগী পূক্নুংদা তীল লৈবা অমদি খোঙ হামথবনচিংবশিং ঙাকথোকপা অমদি ফহনবা ঙম্বগী মগুণশিং য়াওই হায়না পাউদম্লি। থাউ অদু উনশাগী লায়না খরা লায়েংবদসু শীজিন্নে।

অগোর পাম্বী অসি লেপ্তুনা অমদি পাক শন্না য়াম্থৎলকপদগী ঙসিদি অমাঙ-অতা য়াম্না থোকখ্রে। পূন্না য়েংবদা উমংদা হৌরিবা অগোর পাম্বীগী চাদা ৭-৮ লোমতমক অগোর অসি য়াওবা থেংনৈ। কুমজা ১৯৯৫দগী Convention on International Trade in Endangered Species of World Fauna and Flora না অগোর পাম্বী অসি ফীভম শোকচিনলক্লে হায়দুনা Appendix-II দা হাপচিনখ্রবনি। হায়রিবা কনভেন্সন অসিগী মতুংইন্না অগোর পাম্বী অসি খুদক্তগী ঙাক শেনবীদ্রবদি অকি অখং নংলবা Threatened Category দা চনখ্রগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। ●